## মহৈরোয়শিংবু লল্লোনপোৎ ওন্থোক্কনু : কে এস এ

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):
কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না মহৈরোয় খুন্নাইবু লল্লোনপোৎ ওন্থোক্কনু হায়বা ৱাফম লূপ অসিগী সেক্রেটরি ঐচ আর দি রোমেন সোইবমচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌদুনা পাঙথোকখিবা ঐচ এস এল সী ঈদা পোজিসন লৌরক্লবা মহৈরোয়শিংবু লমদম অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংনা মখোয় মখোয়গী স্কুলশিংদা তমহন্নবনি হায়দুনা য়াল্লবা শেনফম কয়া পীদুনা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপাশিংগী মমিৎ-মমায় থকহনবগা লোয়ননা লান্না লমজিংবা অমদি স্কুলশিংগী মরক্তগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা শেল হেন্না পীনবা হিদান্নবা অমদি শেল হেন্না পীবা ঙম্বা তম্বগী চৎনবী অমা লমদম অসিদা লাকহন্দুনা এদ্যুকেসনবু লল্লোনপোৎ ওন্থোরকপগী থৌওং অসি লমদম অসিদা লিশাং শিৎনা চত্থদুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা অরানবা থৌওংশিং অসি হন্দক চহীসু লমদম অসিদা স্কুলশিংনা চত্থরে হায়বা পাউ তারে। অসিগুম্বা থৌওং অসি কে এস এনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা খুদক্তা লেপ্পবা খঙহঞ্জবগা লোয়ননা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংনা মনিং তম্ন া মশানা পামজবা মফমদা মহৈ তম্নবা হোৎনবদা প্রাইভেট স্কুলশিংনা অয়েৎপা পীবীগনু হায়রি।

মহৈরোয়শিংবু অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংবীগদৌরিবা ওজাশিংনা মহৈরোয় ফংনবগীদমক্তনি হায়দুনা মহৈরোয়শিংবু শেলগী মতেংনা খোম্বা অমদি শেলনা ঙমদবা লৈতে হায়বগী ৱাখল্লোন ফাওহনবা অমদি লান্না লমজিংবগী থৌওং থাদোকপীয়ু হায়রি। অসিগুম্বা থৌওং থেংনরবদি স্কুল অদুগী মথক্তা থবক পায়খৎকনি হায়রি। মমা-মপা ওইরিবশিংনসু তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরিবা মহৈরোয় খুন্নাইবু ওজা খরনা অমদি মমা-মপা খরনা করপসনগী ঈপাক্তা লংথদুনা ঈরাক্লহন্নবা হোৎনবীগনু হায়রি।

## মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): জেদ ঈ ও জোন থ্রি থৌবাল অমসুং এস এস এ থৌবালগী মখাদা ইনক্লুসিব এদ্যুকেসন, ইম্ফাল ইষ্ট এস এস এ থৌবালনা চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবালগা খুৎশম্নদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা চিলদ্রেন ৱিথ স্পেসল নিদশিংগী ওইবা মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প অমা ঙসি খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প অদুদা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা, ৱাখল লৌশিং শোনবা, না তাবগী চাং ৱাৎলবা, ৱা ঙাঙবদা লৈতোন শেংদবা অমদি মীৎ উবগী চাং ৱাৎলবা চহী ৮ দগী ১৮ ফাওবগী অঙাংশিংদা এইদস অমদি এপ্লাইসেস অমসুং দিসএব্লিটি সার্টিফিকেট পীনবা পাঙথোকপা কেম্পনি হায়রি। ঙসি পাঙথোক্লিবা কেম্প অসিদা পুন্না অঙাং ১৫০ খঙদোকপা ঙমখি। থৌরম অদুদা অনিল কুমার, জেদ ঈ ও/টি পি ও-এস এস এ জোন থ্রি থৌবাল, টি ঐচ য়াইস্কুল, প্রিন্সিপাল, খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল, টি ঐচ অমুরাসি, এ আই/এম ঈ এস, জেদ ঈ ও জোন থ্রি, থৌবাল, কে ঐচ বিনোদিনি, এ আই/এম ঈ এস জোন থ্রি থৌবালনচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

## মহৈরোয় ফুবা য়ানীংদে : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : লম্ফেল সনাকৈথেলদা লৈবা কেমব্রিজ ইংলিস স্কুলদা থা অসিগী ২৩দা স্কুল অসিদা ক্লাস সিক্স তম্লিবা মহৈরোয় নুপামচা অমবু স্কুল অসিগী ওজা অমনা ফু চৈখিবগী থৌওং অদুবু মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

স্কুল অদুগী ওথোরিটিনা হীরম অদুগা মরী লৈননা মতিক চাবা এক্সন লৌনবগীদমক মতম চানা থবক পায়খৎপীবগীদমকসু এম এস এফনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি তাওরেম মার্জিং খুমন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ৱারী ফাংনবা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱারী লীবা এসোসিএসন, থৌবালনা শীন্দুনা সলুংফম ময়াই লৈকাই সলম মান্দপতা নুমীৎ ১০ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ৱারী লীবা ফাংনবগী থৌরম ঙসি হৌদোকখ্রে।

ৱারী ফাংনবগী থৌরম অদুদা উরিপোক্তা লৈবা এস গুনিন্দ্রোনা ৱারী লীখি। লাক্লিবা জুন ৪ ফাওবা ৱারী লীবা ওঝা অনীনা চত্থগনি। থৌরম অদুদা ফুরিৎশাবম লৈবাকচাও, প্রধান কাংয়েম্বম জি পিনা মহাভারতপু মীয়ামদা তাহনবীবগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱারী লীবা এসোসিএসনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## জিরিবামদগী মীওই ১৪ রোম হলহনখ্রে

জিরিবাম, মে ২৬ (ঐচ এন এস):
গভর্ণমেন্টকী য়াথং মতুংইন্না দি আই জি, এল এম খৌতেনা থা অসিগী ২২ দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী মফম মরি হায়বদি জিরিবাম, মাও, কোন্দো লাইরেম্বী, মোরে অমদি মোইরাং অমসুং বিষ্ণুপুরদা দ্রোপ গেটশিং হাংদোক্তুনা এন্টি সোসল ইলিমেন্ট অমদি ইমিগ্রেন্টশিং চেক তৌনবা থবক লৌখৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা ঙরাং ফাওবদা মতিক চাবা ইন্দিয়ন সিটিজননি হায়বগী শক্তাক চেশিং পুথোকপা ঙমদবা মীওই ১৪ রোম জিরিবাম পুলিস ফোরেন্নর চেক অমদি সী আই দি স্পেসল ব্রাঞ্চ, জিরিবামদগী মীওই ১৪ রোম অমুক হলহনখ্রে হায়রি।

## আর এস এফনা খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):
হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা ষ্টেট অসিদা মাইগ্রেন্টশিং মনিং তম্না চঙবগী মায়োক্তা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংবু রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ) না শৌগৎলি হায়রি।

আর এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরি খুমুনচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবা বিল অমা অথুবা মতমদা শেল্লগনি হায়না মীয়ামদা লাউথোকখিববুসু লৈঙাক অসিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হেন্না লাইবক থীরিবদি লৈঙাক য়াওনা মীয়াম্না ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং চঙহন্দনবা হোৎনরিঙৈ অসিদা মীতোপ মীয়ানচা খরনা সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা ঈরাং থোকপা য়াবা ৱাফম কয়া থল্লকপা অমদি লৈঙাক অসি ফাওবা য়াওনা শিংনরকপা ভিদিও ক্লিপ থাগৎপা অসি লৈঙাক অমদি মীয়ামগী লাইবক থীবনি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীবগী মহুত্তা মরাল লৈজদ্রবা মীওই তরুকপু মণিপুর পুলিসনা ফাজিনখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। মখোয় তরুক অমদি পি আর জে এগী কনভিনর এরেন্দ্রো লৈচোংবমবু পুলিসনা ফাখিবা অদু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়রি।

নিঙোল চাক্কৌবা অমদি শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবদা মপাম লমদমদা লাকপগী চৎনবী অসিবু ঙাক্তুনা মাঙলুরবা লমদম অসিগী চনুরাশিংগী মীংচৎ চিংখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়দুনা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি। ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংগী মায়োক্তা অমদি য়েলহৌমী কঞ্জনবা বিল অমা পাস তৌদুনা এক্ট ওইনা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা আর এস এফনা থা অসিগী ২৫ দগী মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

## সি টি পুলিসনা ওপরেসন চত্থখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিশনেল এস পি (ওপস) এল প্রিয়াদসনিগী মীৎয়েং মখাদা সিটি ওসিনা লুচিংবা টীম অমনা ঙসি পাউনা অমদি থাঙ্গাল কৈথেলগী এরিয়াদা চিংনবা মীওইশিং ফানবা থিবা চত্থখি।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা পাউনা কৈথেলগী মসজিদ রোদতা কোইশিন্দুনা মীওই ১১০ রোম পুথোক্লগা ৱাহং-পাউহং চত্থখি। অদুবু মীফা-মীপুনদি য়াওখিদে। নুংথিলগী পুং ২.৪৫ দগীনা পুং ৩.৩০ ফাওবা সিটি ওসি সুধিরনা লুচিংবা কাঙবুনা থাঙ্গাল কৈথেলগী ঙারি গলি এরিয়াদা কোইশিন্দুনা থিবা চত্থবদা মীওই ৯০ রোম ৱাহং পাউহং চত্থখি। মীফা মীপুনদি য়াওখিদে। নুংথিলগী পুং ৪ দগী পুং ৪.৩০ ফাওবা পাউনা কৈথেলগী মসজিদ রোদতা অমুক হন্না কোইশিন্দুনা থিবা-হুন্বা চত্থখি। মীওই ৫০ রোম ৱাহং পাউহং চত্থখি, মীফা মীপুনদি য়াওখিদে। মসিদা নত্তনা অলু গলি এরিয়াদসু ঙসি নুংথিল পুং ৩.৪০ দগীনা পুং ৪.৩০ ফাওবা কোইশিন্দুনা কোইথি থিবা হোৎনখি। মীওই ৯০ রোম ৱাহং পাউহং চত্থখি।

## কেম্পেয়্যান চত্থরগনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ), ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা থৌদাং লৌদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মহৈশেঙ খুদিংমক্তা লু-নানবগী দ্রাইব অমসুং উ চারা থাবগী প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি। এম এস এফ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ঈ থোইবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা লন্নাই অমদি গভর্ণমেন্টকী ইনষ্টিট্যুটশিংগী কেম্পস অসি মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থমদুনা মফম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা লাক্লিবা জুন ৫ দা মালেম পুম্বগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরমগা মরী লৈননা চত্থগদবনি। থৌরম অসি চহী অসিগী ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লেপ্পা বিট প্লাষ্টিক পোল্যুসন হায়বা থিম অসিদা পাঙথোক্কনি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): মুতুম ওংবী ইবেমহলনা থা অসিগী ২০ গী অয়ুক্তা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) অমসুং খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী সেক্রেটরি আই পি আর, বি এম য়াইমা শাহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, য়ু সী এমগী লম্ফেলদা লৈবা হেদ ওফিসতা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মুতুম ইবেমহলনা হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক মীয়ামগীদমক কত্থোকপীরম্বগীদমক শিংথাখি। মহাক্না লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহাংবা অমা ওইনা লৈহৌরগনি।

অমরোমদা, খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপকী প্রসিদেন্ট থৌদাম শান্তিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌ কয়াদা মাঙজিল থাদুনা অমদি কৈথেলগী থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী অসিনা লৈখিদবদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।


SPOT ADMISSION
Class XI (ARTS, Commerce, Science) & BA
Upload your MARKSHEET in
**bissaucollege@gmail.com**
We will reply immediately.
HL-C/077/26-29

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, ASTANA MEDICAL UNIVERSITY, NORTH KAZAKH STATE UNIVERSITY
PHILIPPINES: AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM,
CHINA: HENAN UNIVERSITY TCM, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING, QIQICHAR MEDICAL UNIVERSITY AND YUNAN UNIVERSITY OF TCM.
RUSSIA: ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.
PLZ Contact: - Haji Salam , JR International Education Consultant
Near Cambridge School, Old Campus Imphal, East, Manipur.
Contact No. : 8794084294, 9615706900, 8415930785, 8974084294,
HL-P/1223/5-5/6


ADVANCED COACHING INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road, opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729
The Largest, Trusted & Premier Coaching Institute, Imphal in both Sc. & Arts


COHSEM
CBSE
Foundation course for class VI to X from 17th May'18
4th Foundation Course for class xi, xii Sc(Evening) 17th May'18.
Foundation course for class xi,xii Sc.(Morning) from 17th May'18
3rd Foundation COURSE FOR xi and XII ARTS FROM 17thMay'18
1st Special separated batch for ix - xii in English medium only.
ADMISSION OPEN for special vaccation crash course for class vi to xii in Sc. and Arts for JNV,Sainik and outsider institutions
Separated boys and girls hostels, van service,morning & evening batches
Only 35 Students per class (Limitted seats) for details # 9862992105
Separated BOSEM,COHSEM & CBSE
Time : 4.30-7.45am/ 11am-4pm/4.30-7.45pm
HL-B/4560/6/4-6/5

A.I. SOCIAL SCIENCES TUTORIAL CENTRE
Keishamthong Elangbam Leikai
ADMISSION OPENS FOR
Class X (BOSEM)
20th FOUNDATION COURSE
Class Commencing from 11th June 2018
- Time : 5:00 am to 6:00 am
- 4:30 pm to 5:30 pm
- Only 15 students per batch
- Subjects : Geo, History, Civics, Economics
Previous records: Pass Percentage:
T. Meghila, 23rd Position 100% consecutives
80% and above - 16 students 10 years
CHAPTERWISE TEST ON EVERY SUNDAY
Please Contact : ☎ 9856475399
Sir Ajitkumar, Board Examiner
Sir Ipajao, Former Regular English School
HL-P/1231/7/5-5/6


I.P.S. CANCHIPUR
SCHOOL BUILDING OF IPS, CANCHIPUR
ADMISSION OPENS FOR XI SCIENCE - 2018
Direct Admission for the wards of strict Parents
Form and Prospectus Available at the School & Hostel
SCHOLARSHIP OF 4 LAKHS UNDER IPS CHARITABLE TRUST
1. Toppers in HSLCE , 2018 - Scholarship of 2 lakhs
2. 90% and above in HSLCE , 2018- Rs 1 lakh
3. 80-89% in HSLCE ,2018 - Rs80,000/-
4. 70-79% in HSLCE ,2018 - Rs 50,000/-
5. 60-69% in HSLCE ,2018 - Rs 40,000/-
6. 59% & Below in HSLCE ,2018 - Special Packages
Enjoy the Scholarships and Facilities under IPSCT, Canchipur
Scholarships will be given on Selection Basis and Family Conditions
There will be separate P.C for CBSE and other Equivalent Boards
Awarded For Best School and Best Principal
HL-P/1403/25/5-8/6


SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE(2nd Batch)
Starting of Class : 14th May, 2018
CLASS XI Sc. FOUNDATION COURSE
Starting of Class : 25th June, 2018
Managing Director
We nourish your future
HL-B/4599/3-31 (Alt.)

মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**
Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/4629/17/5-16/06

COMET
(NEET-UG 2017)
1st 3 Toppers


SUBHANI KUDUSH D/o MD AYUB KHAN & ALAMJAN BIBI New Lambulane, River Side
THOKCHOM SURESH S/o TH.MANGI SINGH & L.RADHE DEVI Khangabok Mayai Leikai
DOYEN SORAM S/o DR.AMAR SORAM & MINI SORAM Nagamapal Soram Leikai
ADMISSION OPEN
REGULAR COURSE FOR
NEET (Medical Ent.) & JEE-MAINS (Engineering) 2018-19
SCREENING TEST On 31st May 2018 (Thursday)
Special Attractions
1. Free studentship for Meritorious Students
2. Special fee concession for COMETIANS & COMET SCHOOL students.
3. Study materials will be provided.
4. Regular test series
For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning Near Airport Road
HL-B/4639/23,25,27,29


IMPHAL BOOK FAIR
26 May to 3 June 2018
at DM College of Science, Imphal
TODAY'S ATTRACTION
11.00 A.M. to 1.00 P.M.
Workshop on Creative Writing for Children
4.00 P.M. to 6.00 P.M.
Presentation of Short Stories for General Readers
इंफाल पुस्तक मेला
Entry Free
10% Discount on all Books
nbt.india
Organized by
NATIONAL BOOK TRUST, INDIA
Ministry of Human Resource Development, Government of India
In Collaboration with
Directorate of Education (U)
& Saheed Madhumangal Foundation
DAVP 21103/11/0008/1819